# মীওইবগী য়াইফনবা অনানবা অকোয়বগী ফীভম অমা

নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর ওফ ইন্দিয়া

**মীওইবগী** য়াইফনবা অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঐঙোন্দা ওক্টোবর ৩দা 'চেম্পিয়ন ওফ দি আর্থ এৱার্দ' পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। মসিগী মনা অসি লন্নাই মীওই অমত্তগী নত্তে হায়না ঐনা খল্লি। তশেংনা মসি মহৌশা ইমাগা লোয়ননা হিংমিন্ননবা মতম চূপ্পদা কন্না হোৎনরিবা ইন্দিয়াগী কলচর অমসুং ভেল্যু মশক খঙবনি। অইং-অশাগী খল হোংলকপা থেংননবা ইন্দিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা অসি য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেস অমসুং য়ু এন ঈ পিগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর ইরিক সোহেম্না শক খঙবা অসি ইনি দয়ামচা খুদিংমক্কী চাউথোক্লফমনি।

মীওইবা অমসুং মহৌশা য়াম্না অখন্নবা মরী লৈনৈ। মহৌশা লাইরেম্বীনা ঐখোয় য়োকপীবনি অমসুং পীজ-পীথক তৌবনি। তুরেলশিংগী তোর্ব্বানশিংদা অহানবা ওইনা মীওইবনা খুন্দা-লৈতাবা হৌখি। খুন্নাইশিংনা মহৌশাগা লোয়ননা নুংঙাইনা হিংমিন্নরি। ঙসিদি মীওইবা অসি মরুওইবা তাঙ্কক অমদা লৈরে। ঐখোয়না চৎলিবা লম্বী অসিনা ঐখোয়গী নুংঙাইনবা ফিরেপ লৌবা ঙমদবদা নত্তনা ঐখোয়গী গ্রহ অসিদা ঐখোয়গী তুংগী মীরোলশিং খুন্দাবা য়াররোই। ঐখোয়গী মীহৌ চাউবা অমসুং মথৌ তাবা অনীগী মরক্তা খল মান্নদবদগী মহৌশাগী খল কায়থরকপনি। ঐখোয়না মসি য়াগদবনি, মহৌশাগুম মখা তানা হিংগে হায়রবদি ঐখোয়না অশোয়বশিং অসি চুমথোক্কদবনি। পোৎশক অহুমখক্সা মতৌ করম্না ঐখোয়না খুন্নাই অমা অফবা মায়কৈদা পুরক্কদগে হায়বা লেপকনি।

অহানবা অসিনা নুংদা ৱাখল তাবনি। মসিগী মতাংদা ঐখোয়গী মমাঙঙৈগী অফবা মতমশিংদগী হেনবা অমা লৈরোই। মহৌশা ইকায়খুম্নবা অসি ইন্দিয়াগী চৎনবী অমনি। অথারভাবেদাদা য়াওরিবা সুক্তাদা মহৌশা অমসুং অকোয়বগী ফীভমগী লম্বা লৈত্রবা লৌশিং কয়া য়াওরি। অথারভাবেদাদা অসুম্না ইরি - ইমা পৃথিবী খুরুমজরি। মহাক্কী মথাদা লৈরি সমুদ্র অমসুং তুরেলগী ঈশিং; লৌবুক খোইবা মতমদা মহাক্না চানবা পীরি; মহাক অসি তশেংনা পুন্সি পূম্নমক্কী হিংফমনি; মহাক্না ঐখোয়দা পুন্সি অদু পীনবা ওইসনু।

মমাঙঙৈদা পোৎলম মঙাগী মতাংদা ইরমখি- মালেম, নুংশিৎ, ঈশিং, মৈ অমসুং অতিয়া অমদি হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ফজনা মথৌ তৌবদা য়ূম্ফম ওইরগা ঐখোয়গী পুন্সি অসি হিংলিবনি। মহৌশাদা ফংলিবা পোৎলমশিং অসি তাইবঙ শেম্বা মপূগী খুদোল ঙাক্তনি।

মহাত্ম গান্ধীনা ইনভাইরনমেন্টকী মতাংদা য়াম্না ইরমখি অমসুং ইনভাইরনমেন্টকা চুনগদবা পুন্সি মহিং লৈহনবা অসি য়াম্না মরু ওই। তুংগী মীরোলগী অনানবা অকোয়বগী ফীভম অমা শেম্নবা হৌজিক্কী মীরোলনা তৌফম থোকপশিং তৌগদবনি। মালেমগী মহৌশাগী লনগী অৱাৎপা লৈতনবা ফজনা শীজিন্ননবা মহাক্না খঙহনখি। তুং কোইনা চৎনগদবা অমসুং অফবা পুন্সি মহিং অমা শেমগৎপা অসি ঐখোয়গী চৎনবী অমনি। ঐখোয় অসি অফবা চৎবী অমগী লমজিংবনি হায়না হেক খঙখিবগা মসিনা মশা মরোমদোম ঐখোয়গী থবকশিংদা অফবা ফল পুরক্কনি।

অনীশুবা ৱাফম অসিনা মীয়াম ৱাখল তাহনবনি। অকোয়বগী ফীভমগা মরী লৈনবা ৱাহংশিংদা




ঐখোয়না ৱারী শানবা, ইবা, মরৈ য়েৎনবা, খন্নবা মথৌ তাই। মসিগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা রিছার্স তৌবা অমসুং অনৌবা পুথোকপা পূক্লিং থৌগৎপা মথৌ তাই। মসিনা মীওই কয়া ঐখোয়গী মতম অসিদা থেংনরিবা অৱাবশিং অমসুং মদু থেংননবগী লম্বীশিং খঙবা ঙমগনি। ঐখোয়না খুন্নাই অমা ওইনা অকোয়বগী ফীভম কন্নবা ৱারী শানবা মতমদা ঐখোয়না মশা মরোমদোম তুং কোয়না চৎনগদবা অকোয়বগী ফীভম অমা শেমগৎনবা থবক তৌজরক্কনি। মরম অদুনা ঐনা থৱায় য়াওবা অসি অহোংবা লাক্লবগী অহুমশুবদা থল্লিবনি।

মসিগী ফীভম অসিদা, ইন্দিয়া মচা ক্রোর ১৩০ অনানবা অমসুং অশংবনা থল্লবা অকোয়বগী ফীভম শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবদা ঐ অপেনবা পোকই। মসিগী থৱায় য়াওবা অসি ঐখোয়না স্বাছ ভারত মিসন্দা উবা ফংই, মসি তুংগী ফীভমগা হকথেংননা মরী লৈনৈ। ইন্দিয়া মীয়ামগী য়াইফ থৌজালগা লোয়ননা অহানবা ওইনা য়ূম মিলিয়ন ৮৫ হেনবদা টোইলেটশিং লৈরে। ইন্দিয়া মচা মিলিয়ন ৪০০ হেন্না মখা তানা লমহাংদা খোঙ হামদ্রে। টোইলেট লৈবা চাদা ৩৯দগী ৯৫দা হেনগৎলে। মসিগী থৱায় য়াওবা অসি ঐখোয়না উজ্বালা যোজনা মায় পাকপসু উবা ফংই। মসিনা ইমুংগী নুংশিৎ শেংদবা মফমদা চাক থোংবদগী রেস্পিরেটোরিগী লায়না থোকহনবা অদু ফজনা হন্থরে। হৌজিক ফাওবদা উজ্বালা কনেক্সন ক্রোর ৫ হেন্না ফংহনখ্রে, মদুনা ইমুংশিংগী নুপীশিং হেন্না নান্না হিংবা ঙমহল্লে। তুরেলশিং শেংদোকপদা ইন্দিয়ানা য়াঙনা চঙশিল্লি। ইন্দিয়াগী থৱায় ওইরিবা গঙ্গা অসি মফম কয়াদা মোৎশিল্লে। নামামি গঙ্গা মিসন্না মসিগী পুৱারীগী ওইনা অরানবা অসি চুমথোক্লি। সিৱরেজশিং ফজনা লোইশিন্নবা থবক পায়খৎলি।

ঐখোয়গী সহরশিং শেমগৎনবা এমরুট অমসুং স্মার্ট সিটিজ মিসনগী মখাদা অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দনা শেমগৎপা মথৌ তাই। ৱারেপ ফজনা লৌবা ঙম্নবা লৌমীশিংদা সোইল হেলথ কার্দ ক্রোর ১৩ য়েম্থোকখ্রে অমসুং মসিনা মখোয়গী পোথোক হেনগৎহনগনি অমসুং তুংগী মীরোলশিংগীদমক ঐখোয়গী লম মশা ফনা থম্বা ঙমগনি। ইনভাইরনমেন্ট সেক্তরদা ঐখোয়গী স্কিল ইন্দিয়াগী অপূনবা পান্দমশিং লৈরি অমসুং কুমজা ২০২১ ফাওবদা নহারোল মিলিয়ন ৭ রোম ইনভাইরনমেন্ট, উমং য়োকপা, লমলক্কী শা-উচেক্কী মতাংদা ত্রেনিং পীনবা গ্রীন স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পায়খৎলে। মসিনা ইনভাইরনমেন্ট সেক্তরদা থবক পীবা অমসুং ওন্ত্রপ্রেন্যুরসিপকী খুদোংচাবা কয়া ফংহনবা ঙমগনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসি লম্বা লৈতনা অনৌবা অমসুং রিন্যুএবল ইনর্জি পুথোক্লবা কৎথোক্লি। হৌখিবা চহী মরি অসিদা সেক্টর অসি অহোঙবা মমলদা ইরায় লায়না ফংবা ঙম্বা ওইরে।

উজ্বালা যোজনাগী মখাদা এল ঈ দি ব্লব ক্রোর ৩১ রোম য়েম্থোকখ্রে। এল ঈ দি ব্লবশিংগী মমল অমসুং মৈগী বিল অমসুং কার্বোনদাইওক্সাইদ থাদোকপা হন্থরে। ইন্দিয়ানা থৱায় য়াওবা অসি মালেম্না উরে। কুমজা ২০১৫দা পেরিসতা সী ও পি-২১দা ৱারী শানবদা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাবা অসিদা ঐঙোন্দা চাউথোকচবা পোকই। নুমিৎকী মঙালদগী ইনর্জি লৌনবা অমসুং নুমিৎকী মঙাল শীজিন্নরিবা লৈবাকশিং পূনশিন্নবা ইন্টরনেসনল সোলর এলাইন্স হৌদোকপা ওইনা কুমজা ২০১৮গী মার্চতা ন্যু দেল্লিদা মালেমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিং পুনখি।

মালেম্না অইং-অশা হোংলকপদগী খন্নরিবৈদা, অইং-অশাগী অচুম্বা পুরক্লবা ইন্দিয়াদা নৌনা থবক পায়খৎলকখি। অইং-অশাগী অচুম্বা পুরকপা হায়বসি খুন্নাই অমগী তোল্লবশিং অমসুং লায়রবশিংগী য়াইফনবা থবক তৌবা অমসুং মখোয়গী হকশিং ঙাকপনি। মখোয় অসি অইং-অশা হোংলকপদা খ্বাইদগী চাউনা চৈথেং ফংলিবা কাঙলূপনি।


ঐনা মমাঙদা ইখিবা অদুগুম্না, ঙসি ঐখোয়না তৌরিবা থবকশিং অসিনা ঐখোয়গী তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংদা ইথিল পীগনি। তুংকোয়না চৎনগদবা ফীভম অমা শেমগৎনবা মালেমগী ওইবা থৌদাং অসি ঐখোয়গী খূৎতা লৈরে। শুপ্লগী লৈঙাক্কী কাঙলোনশিংখক নত্তবা, অকোয়বগী ফীভমগী মতাংদা ৱাখল তাবদা য়ূম্ফম ওইবা ইনভাইরনমেন্টকী ওইবা ফিলোসোফি অমদা হোংবা মালেম অসিনা মথৌ তারে। মসিগী মায়কৈ অসিদা থবক তৌরিবা লন্নাই মীওইশিং অমসুং লূপশিং ঐনা থাগৎপা পাম্মী। মখোয় অসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অহোংবা পুরক্লবা মাঙজিল থাবা ঙাক্তনি। মখোয়গী থবকশিংদা লৈঙাক্লা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না ঐনা থাজবা পীরি। মীওইবা খুন্নাইগী পাঙ্গল ওইরিবা অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনগনি।

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ হারুম

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**ঐখোয়** অয়াম্বনা হা পাম্বী অসি খঙই, অদুবু হারুম হায়রিবা পাম্বী অসিদি ঐখোয়না থৌশারুদবা অমদি থিজিল্লুদবনা থোইদোক্লা মশক খঙবীরুদে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। ঐখোয়না য়াম্না পাম্না চানরিবা হা পাম্বী অসিগা খেন্নবা কয়ামরুম লৈ। হারুম পাম্বী অসিনা হা পাম্বীদগী পীকই, মরা (হা) তাবা ৱাৎলি অমসুং পাম্বীগী মথক থংবা শরুক্তা আলুগুম্না মতুম-মতুম (হারুম) পাল্লি। হারুম পাম্বী অসি ইংলিসতা এয়র পোতেতো (Air potato) আলুগুম্না হারুম অদু মথক্তা পানবা, নৎত্রগা পোতেতো য়াম (Potato yam)- হায়বদি আলুগুম্না পানবা হা পাম্বী নৎত্রগা এয়র য়াম (Air yam), নৎত্রগা বিত্তর য়াম (Bitter yam) নৎত্রগা চীকী য়াম (Cheeky yam), হিন্দীদা সুরালু (Suralu), নৎত্রগা জামী কান্দা (Zami kanda) নৎত্রগা গাইথী (Gaithi), গুজরাতীদা দুকার কান্দা (Dukar kanda), সংস্কৃততা ভারাহী (Varahi), মালায়ালমদা কাত্তু কচী (Kattu kachi), তামিলদা পানু পীলঙ্গু (Pannu pilangu), বেঙ্গোলিদা বানালু (Banalu), নৎত্রগা পীতালু (Pitalu), অসামিজদা কাথালু (Kathalu), নৎত্রগা মাতী আলু (Mati alu), জপানিজদা বেঙ্কী-ইমো (Benki-imo), চাইনিজদা তু-উ (Tu-uh) নৎত্রগা উন কাও তৌ (Un-kau-tou), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *দাইওসকোরিয়া বুলবিফেরা (Dioscorea bulbifeara Linn)* নৎত্রগা *দাইওসকোরিয়া তেমিফোলিয়া (Dioscorea tamifolia Salisb)* নৎত্রগা *দাইওসকোরিয়া হেতেরোফাইলা (Dioscorea heterophylla Roxb)* নৎত্রগা *দাইওসকোরিয়া লেতিফোলিয়া (Dioscorea latifolia Benth)* নৎত্রগা *দাইওসকোরিয়া হোফা (Dioscorea hoffa Cordem)* নৎত্রগা *হেলমিয়া বুলবিফেরা (Helmia bulbifera (L.) Kunth)* নৎত্রগা *পোলিনোমি বুলবিফেরা (Polynome bulbifera (L.) Salisb)* হায়না কৌই অমসুং *দাইওসকোরিয়েসী (Dioscoreaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না হারুম পাম্বী অসি আফ্রিকা, এসিয়া অমসুং অৱাং থংবা অষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক পাম্বী অসি লেতিন অমেরিকা, ৱেষ্ট ইন্দিজ, খা থংবা অমেরিকাগী লমদমশিং অমসুং ঈথৎ কয়ামরুমদা পুদুনা থাখিবদগী ঙসিদি মফমশিং অদুদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখরে। হারুম পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং






অমসুং মলেসিয়াগী মফমশিংদা য়াম্না ফজনা হৌবগী পাউদম লৈ। পাম্বী অসি য়াম্না থুনা শনে দাকখিদুনা ঙসিদি ফ্লোরিদাগী লমদমদা য়াম্না মরাং কায়না হৌখিদুনা পাম্বী অসিবু ৱীড (Weed) হায়বদি হাজোংবা পাম্বীনি হায়না লৌনরি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি হারুম হায়রিবা পাম্বী অসি অনেম্বা চীংগী চীংখোঙ-চীংয়া, তম্পাক্কী মফমশিং মরুওইনা ষনজাবুংগী অকোয়বা, লোক্কী মপান, তুরেলগী তোর্ব্বানশিংদা অদুমক ফজনা হৌবা ঐখোয়না থেংনৈ।

হারুম হায়রিবা পাম্বী অসি মরা চৎপা ফুট ১০ দগী ১৫ ফাওবা শাংবা অদুগা মনা অদুনা ক্বা মনাগী মওং মানবা চহী খরা পুন্সিবা অথোৎপা পাম্বীনি। পাম্বী অসিগী তোপ তোপ্পা মওং অমা হায়রগদি মতুম তাবা আলু মানবা বুলবীল (Bulbil) হায়না খঙনবা মশা অসি পাম্বীগী মখোক অমসুং মনা পানফমদগী য়ান্থদুনা পাল্লি। হায়রিবা বুলবীল অসিগী মরুওইবা মথৌদি পাম্বী অসিগী দরকার লৈবা মচীঞ্জাক মরুওইনা নিংথমথাগী মতমদা শীজিন্ননবা তাশিন্দুনা থম্মী। হারুম পাম্বীদা লৈনুংদা লৈবা মরা অদু হাগুম্না তাই অমসুং মসিদসু মচীঞ্জাক তুংশিন্দুনা থম্মী। পাম্বী অসিগী মরী (Stem) অদু মশুঙ ৪ নাই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না হারুমদা য়াওবা মরু ওইবা কম্পাউন্দশিংদি- Diosbulbinosides, Norditerpenes diosbulbins A,B,C,D,E,F,G,H অমসুং ষ্টিরোইদ Diosgenin অসিনচিংবনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না হারুম অসি হিংনা চারবদি মীওইবগী হকচাংদা অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াই অদু মদু ফুৎতোক্লগা নৎত্রগা থোংদোক্লবদি চাবদা অমাঙ-অতা থোকহন্দে। ইংখোলদা থানবা হারুম পাম্বী ভেরাইতী অদুদা দাইওসজেনিন (Diosgenin) অসি য়াওদ্রবসু লমহাংদা হৌবা ভেরাইতীশিংদদি দাইওসজেনিন অসি অয়াম্বনা য়াওগল্লি। ফ্লোরিদাগী লমদমদা হৌবা ভেরাইতী অদুদদি দাইওসজেনিন অসি চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা দাইওসজেনিন হোর্মোন অসি অঙাং য়ৈথনবা (Contraception) হীদাকশিং শাবদা মপুং ওইনা মচল ওইনা শীজিন্নৈ।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না হারুম অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। মরুওইনা Consunctivity হায়রিবা মীৎকী মপান থংবা কুরাংবান অদু ঙাকশং ঙাঙদুনা পোম্বা অমদি নাবদা হারুম অসি লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। খোঙ হাম্বা অমসুং ইতোন ফাইবদা হারুম অসি ত্রাইবেল কাঙলুপ কয়ামরুম্না য়াম্না কুইরবা মতমদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদমশিংগী মতুংইন্না হারুম পাম্বীগী লৈনুংদা তাবা মউ অদু মীওইবগী ফম্বী ফগৎহনবা (Aphrodisiac) ঙম্মী। হায়রিবা মউ অদু তীঞ্জং-কাইজংদুনা মশা শোনবা, খৌনাও চাথৎপা, অপোম অতং তৌবা, অশোক অপন তৌদুনা নাই চাবা অমদি পোমথোকপা ফহনবা ঙম্বগী মথক্তা নুংশং থুংবা (Pile) অসিদসু থোইদোক হেন্দোকনা কান্নবা ফল পীবা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। সাইফীলিস (Syphilis) হায়না খঙনবা বেক্টিরিয়ানা থোকহনবা নুপা-নুপী হকতিন্নবদগী শনে দাক্লবা লায়না অসি হারুম পাম্বীগী মউ অসি শুগাইদুনা লৌবা অনংবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। থ্রেদৱোম (Threadworm) নৎত্রগা পিনৱোম (Pinworm) হায়না খঙনবা মীওইবগী থীবোঙ-থীরিলদা লৈগনবা অমদি লায়না পোকহনবা শৈদাংবা তীন (Parasitic worm) অসি হারুম পাম্বীগী মউ শুগাইদুনা লৌবা মহী অদুনা তানথোকপা ঙম্বগী পাউদমসু লৈ। তাঙ চীকপা নাবদা (Rheumatism) হারুমগী মউ অদু য়ুবী থাউগা শুগাইদুনা শেম্বা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ।

## মরোল থোকপা লাই

